# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 25-07-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য অসিগী হিংশানা শোকহল্লবা জিলাশিংদা আই.টি সেন্তর ১১ হাংদোক্কুনা নহাশিংদা কান্নবা ফংহনবা হৌখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা চুরাচান্দপুর জিলাদা থিবা হুন্মবগী থবক চখবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

অমসুং

৩) ভারত অমসুং য়ুনাইতেদ কিংদমনা চেক্করদা ফ্রি ত্রেদ এগ্রিমেন্ট সহি তৌনখ্রে।

------

আইটি (এল)ঃ রাজ্য অসিগী হিংশানা শোকহল্লবা জিলাশিংদা নহাশিংবু নেসনেল কম্পিতিতিভ একজামিনেসনশিংদা শরুক য়ানবগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা আই.টি সেন্তর ১১ হাংদোক্কুনা কান্নবা ফংহল্লে।

মণিপুর সরকারগী কম্মিসনার কম সেক্রেটরি (হোম)না থোকপা চেরোল অমদা হায়- মণিপুর সরকারনা আই.টি. সেন্তর ইন ভাইওলেন্স এফেক্তেদ দিষ্ট্রিক্টস স্কিমগী মখাদা গৃহ মন্ত্রালয়না লুপা কোতি ১১ চংনা থৌরাং অসি পায়খৎপনি। মসিগী মনুংদা মহৈরোইশিংদা ইন্তরনেট শিজিন্নবগী খুদোংচাবগা লোয়ননা কম্প্যুটর বেজ একজামিনেসনগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং মপুং ফানা ফংহল্লি। স্কিম অসিগী মখাদা কম্প্যুটর নোট লিশিং ১,১০০ থমদুনা মহৈরোইশিংদা

কান্নবা ফংহল্লি। সেন্তরশিং অসি লৈবদগী মহৈরোইশিংনা নিট, পি.জি, এন.এ.টি-ক্লেট পি.জি, ইন্দিয়ান আর্মিগী রিক্রুটমেন্ট একজামশিং য়াওনা এস.এস.সিগী একজামশিং থাবদা হেন্না খুদোংচাহল্লে। সিভিল সার্ভিসশিং অমদি স্কিল বেজ ত্রেনিং প্রোগ্রামশিংগী খুদোংচাবসু লাঞ্জেন্নরিবশিং খক নত্তনা অতোপ্পা মীয়ামসু ফংহল্লে।

আই.টি সেন্তরশিং অসি চুরাচান্দপুর, কাংপোকপী, উখ্রুল, জিরিবাম, চান্দেল, বিষ্ণুপুর, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, তমেংলোং, তেংনৌপল অমদি সেনাপতি জিলাদা হাংদোকখিবনি।

সরকারনা রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা পুরকবা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়- চুরাচান্দপুর জিলাগী সিদেনদা থি হুন্নবগী থবক চথবদা মেগজিন য়াওদবা পোইন্ট টু টু রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম করবাইন অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, এস.বি রাইফল তরুক, তুয়েল্ব বোর রাইফল অমা, বোল্ট এক্সনসিঙ্গল বেরেল রাইফল অমা য়াওনা তোঙান তোঙানবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফংবা ঙমখি।

অমরোমদা, ড্রগ লল্লোনবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই মরি অমসু সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা কাংপোকপী জিলাগী টি-খুল্লেন খুলদগী ফারে। মখোয়দগী কিলোগ্রাম ৩ মখায়রোমগী হিরোইন, শেল ওইনা লুপা লাখ ৯৯ হেন্না, মোবাইল ফোন ৭, চাকা মরি পানবা গাড়ি মরি ফাগৎপা ঙমখি।

মণিপুর পুলিসনা আইন কায়না চংলকপা বঙ্গলাদেশকী মীওই, ম্যান্মারগী রোহিংগ্যা অমসুং পাকিস্তানগী মীওইশিংগী মশিং রাজ্য অসিদা হেনগৎলক্লিবা অসিদা অকনবা থৌরাংশিং লৌখৎলে। মীতোকপশিং খন্দোকবা থৌরাংশিংসু পায়খৎলে। মখোয়শিং অদুবু ভেরিফিকেসন তৌবগী থবকসু চথরি।

স্কুল (এল)ঃ  একাদমিক সেসন ২০২৬-২৭ তগী সরকারগী, এদেদ অমসুং প্রাইভেট (অনএদেদ) স্কুলশিংদা ক্লাস ৱানদা মীং চনবগী চহি অসি য়ামদ্রবদা ৬ কী মথক ওহরগনি। মণিপুর সরকারগী ইদুকেসন দাইরেক্তর স্কুলনা থোকপা চেৰোল অমনা হায়- নরসরিদা মীং চনবগী চহিনা চহি অহুমগী মথক ওইগদবনি, এল.কে.জি অমসুং য়ু.কে.জি তম্বগী চহিনা চহি ৪ অমসুং মঙাগী মথক ওইগদবনি।

মনকিবাটঃ  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২৪ শুবা ইপিসোদ  থা অসিগী ২৭, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস  চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক্ট লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

মোদি ঃ  ভারত অমসুং য়ুনাইতেদ কিংদমনা চেক্করদা ফ্রি ত্রেদ এগ্রিমেন্ট সহি তৌনখ্রে। য়ান্ন-ৱারোল অসিনা লৈবাক অনিগী তোঙান তোঙানবা লমশিং, লল্লোন ঈতিক অমসুং দিফেন্স য়াওনা মপুং ফানা তেংবাং পীননবা লম্বী য়াৎলে। য়ান্ন-ৱারোল অদু সহি তৌনরবা তুংদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- নুমিৎ অসিনা লৈবাক অনিগী ওইবা ঐতিহাসিক ওইবা মরী থম্ববু নিংশিংহল্লগনি। থৌরাং অসিনা লৈবাক অনিবু নুংঙাই য়াইফবা অমসুং চাওখৎপা লম্বীদা পুরগনি। মসিনা নহাশিং, লৌমী, এম.এস.এম.ইগী লমদা থবক তৌরিবা ভারত মচাশিংদা খুদোংচাবা কয়া ফংহনবা ঙম্লগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা য়ুনাইতেদ কিংদমগী প্রধান মন্ত্রি ষ্টার্মর অমসুং মহাক্কী সরকারনা পহলগেম টেরর এটেকপু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরকপদগা থাগৎপা ফোংদোক্লি।

প্রধান মন্ত্রি ষ্টার্মরগী চেরোল অমদা হায়- ফ্রি ত্রেদ এগ্রিমেন্ট অসি লৈবাক অনি অসিগী ওইবা খ্বাইদগী চাউবা য়ান্ন-ৰারোলনি। মসিনা লম কয়াদা তেংবাং পীনদুনা শেল থুমগী লমদা হেন্না খুমাং চাওশিনহল্লগনি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি য়ুনাইতেদ কিংদমগী খোঙচৎ লোইরদুনা ঙরাং নুমিদাং মোলদ্বিপসকীদমক খোঙশানখ্রে। শ্রী মোদি নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা মোলদ্বিপসতা চৎকনি।

সাহ ঃ কোর্পোরেসন মন্ত্রি অমিত সাহনা ঙরাং নিউ দিল্লিদা নেসনেল কোর্পোরেসন পোলিসি ২০২৫ হৌদোকখ্রে। থৌরম অদুদা শ্রী সাহনা হায়- পোলিসি অসিনা ভারতপু ২০৪৭ তা ভিক্সিত ভারত ওইহন্নবা থল্লিবা পান্দম অসি য়ৌহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরগনি। থৌরাং অসিনা মরুওইনা খুঙ্গংগী মফমশিংদা লৈবা মীওই কয়াদা হিংনবগী লন্থী অমসুং থবক পীবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

মাওইষ্ট ঃ ছত্তিসগরগী বাস্তর দিভিজনগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা পুলিসতা মাওইষ্ট ৬৬ খুৎলায় থাদোক্তুনা চংজরকখ্রে। চংজরক্লিবা মীওইশিং অসিগী মথক্তা লুপা কোতি ২ হেনবগী মনা লাউথোকখ্রবনি। বিজাপুর জিলাদা মাওইষ্টকী মীওই ২৫ চংজরকখি। দান্তেৱারাদা ১৫, কনকেরদা ১৩, নরায়নপুরদা ৮ অমসুং সুকমা জিলাদা মখোয় ৫ খুৎলায় থাদোক্তুনা চংজরকখিবনি। মখোয় পুমমক্তা সরকারগী থৌশিলগী মতুংইন্না ইন্সেন্তিভশিং পীরগনি। বাস্তর রেঞ্জগী ইন্সপেক্তর জেনেরেল ওফ পুলিস সুন্দাদারাজ পিনা হায়- বাস্তর দিভিজন অসিদা হৌখিবা থা ১৮ দা মাওইষ্ট লিশিং ১,৫০০ হেন্না চংজরকখ্রে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

লম খোপচিনবশিং পাক শান্না তকথোক্লি, ফাইন থিহনবসু য়াওরি, লম খোপচিল্লগা শাবশিং মশা মশানসু শিন্দোকরি। ইভিক্সনগী মায়োক্তা থঙ্গাকল কৈথেলগী দুকানশিং থোঙ লোনখ্রে হায়না শঙাই এক্সপ্রেসতা বেন্নর হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

হেদলাইন অসিগী মখাদা লম হেনজিন্না য়ুম শাজিল্লু হায়বা লোদা য়াওদে হায়না দি.সিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

পোকফমগী অহানবা হেদলাইন অসি প্রসিদেন্টস রুল থা ৬ শাংদোকবা ৱারেপ রাজ্য সভাদা পুথোকখ্রে হায়না ফোংবা থেংনরে।

পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন অসিনা মীওই মরিদগী ব্রাউনসুগর কিলোগ্রাম ৫ মখায় ফারে, মীওই অমা নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি ফোংলি।

জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদমিগী দাইরেক্তর কনানা ওইগদগে লেপথোকবা মীফম পাঙথোকখ্রবসু লৈখায় তাদ্রি হায়বা হেদলাইন অসি হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইননি।

গভর্নরনা সেরি প্রোজেক্টশিং য়েংশিনখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইননি।

মণিপুরদা প্রসিদেন্ট রুল থা ৬ মখা তানা শাংদোক্কদৌরি, অমিত সাহনা কৌরকপদগী স্পিকর সত্যবরতা দিল্লি য়ৌখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি নহারোলগী থৌদাংদা বেন্নর হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

------